ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯵, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯴꯷ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, মার্চ ১৫, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩৪৭শুবা মশীং

## মথোং মরম খঙদবা য়াওরিমান্নেদা

### করম থোক্লগবা - মণিপুর

লেজিসলেটিভ এসেমব্লিশিংগী মীখল হায়বসি চহী ৫/৫ খুদিংগী পাঙথোকপনি। মরমদি লেজিসলেটিভ এসেমব্লিশিংগী টর্মসি চহী ৫/৫গী ওইবনা টর্ম অমা লোইবা খুদিংগী মদুগী মহুৎ শিন্নবগীদমক মীখল পাঙথোকপা হায়বসি হৌনশানি। দেমোক্রেসিগী চৎনবীসি মণিপুর খক্তগী নত্তে। লৈবাকসিদা লৈরিবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি পূম্নমক্কীনি। অদুগা মসিগী চৎনবিসিনা ওগষ্ট ১৫, ১৯৪৭তা নীংতম্বা ফংলবা ইন্দিয়ানা জন্যুৱারী ২৬, ১৯৫০দগী মপূং ফাবা রিপব্লিক অমা ওইরকখিবদগী চৎনদুনা লাক্লবনি, হৌজিকসু মসিগী ইলেক্টোরল সিষ্টম অসি অদুম্মক চৎনদুনা লাক্লিবনি, চৎনরিবনি। অদুগা সিষ্টমসিগী মনুংদা য়াওরিবা মীরেপ-মীখলগী কাঙলোনশিংনা শেমদুনা লৈরিবা রিপ্রজেন্টেসন ওফ পীপলস এক্ট, ১৯৫০ অমসুং ১৯৫১গী প্রোভিজনশিং অমদি কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী মরী লৈনবা পথাপশিংগী মতুংইন্না পাঙথোরক্লিবনি। অদুবু দেমোক্রেসিগী থৱায় ওইরিবা লেজিসলেচরশিং খন্নবগী চহী ৫/৫ খুদিংগী পাঙথোকপা মীখলদা মীরেপ ওইবা য়ারবা নুপা অমসুং নুপী কেন্দিদেটশিংবু লম্বা তৌবা য়াহল্লি। তোয়না থোক্ত্রগসু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমদা শুপ্নতগী মীরেপ অমদগী হেন্না থোরক্ত্রবদি চোঙথোরক্লিবা মীওইদুনা অন-কন্টেষ্টেট কেন্দিদেট ওইরকপদগী মহাকপু এসেমব্লি সেগমেন্ট অদুগী মীহুৎ ওইনা খল্লি। অদুবু মসিদি মণিপুর য়াওনা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অয়াম্বদা তোয়না থোক্তবনিনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা মীখল পাঙথোক্কদবা মফমশিং অদুগী চীফ ইলেক্টোরল ওফিসরশিংগা খূৎশম্নরগা মীখলশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অদুগা পাঙথোক্লিবা মীখল অদুদা মায় পাক্লক্লবা কেন্দিদেটশিং অদুনা এসেমব্লি সেগমেন্ট অদুগী মীহুৎ ওইগদৌরিবনি, মপু ওইগদৌরিবনি। এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অদুগী থৌদাং পূম্নমক মহাক্কী ওইগদবনি। মসিমক্না এম এল এ অমমমদা লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দ (এল এ দি এফ) হায়দুনা ফাওবা মিংথোন্দুনা য়াম্লবা শেনফম চহী খুদিংগী পীরিবনি।

অদুবু হন্দক পাঙথোকখিবা মণিপুরগী ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলগী রিজল্ট লাউথোরকপদা মায় পাক্লবা/কারবা মীহুৎশিংগী মরক্তগী অমনা মহাকপু হরাও-তরাম্না ওকপগী থৌরমশিংদা মহাক্না মীহুৎ ওইরবনিনা মঙোন্দা ভোট পীখিদবা, মহাক্না লম্বা তৌনখিবা পোলিটিকল পার্টি অমগী মীরেপ্তা ভোট পীখিবা মীওইশিংগী চহী ৫গী ফংফম থোকপা চাকথুংশিং অমত্তা ফংলরোই/পীররোই হায়দুনা ফোঙদোকখ্রিবা, সোসল মীদিয়াগী প্লেটফোর্মশিংদা পুমচাই চাইহল্লক্লিবদুবু হায়ফম থোকপা, হায়বদা অচুম্বা ওইবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমগী ইলেক্টেদ লেজিসলেচর ওইরবা মীওই অমগী মায়কৈদগী মীয়াম মাঙদা ঙাঙগদবা ৱারা হায়বগী ৱানি। ইলেক্সন হায়বসিদি মীরেপ ওইগদবা মীওই অমদগী হেন্নবু চোঙথোরক্লবদি মীখল পাঙথোকপা হায়বসিদি দেমোক্রেসিগী মচৎনি। মীরেপ ২ খক্তং থোরকপা য়াই, অনীদগী হেনবসু য়াই। অদুবু মায় পাক্লবা মীহুৎ অমনা ফংবা ভোট মশীংগা মায়থীহৌরবা মীরেপশিংনা ফংবা ভোটশিংগা তিনশিন্নদুনা চাংদম্নরবদি কারবা মীহুৎতুবু পামদবা/য়াদবা ভোটর মশীংনা হেনবসু য়াওবা মশানা তাবনি। অদুবু মীরেপ খরা লম্বা তৌনবদা খ্বাইদগী মশীং হেন্না ফংবদুবু মীহুৎ ওইনা খনবগী থবকসিদি লৈবাকসিদা জন্যুৱারী ২৬, ১৯৫০দগী চৎনদুনা লাক্লবনি। অদুগা অকক্লবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমগী ইলেক্টেদ মেম্বর অমনবু মঙোন্দা ভোট পীবশিংদতা চাকথুং পীনি, অতোপ্পা পার্টিগী কেন্দিদেটতা ভোট পীবশিংদদি পীরোইগা হায়বা ৱাফমশিং অসিবু লৈবাকসিগী দেমোক্রেসিগী মশকপু থোক ওন্থোক্কে হায়দুনা ঙাঙথোরক্লিব্রা নৎত্রগা করি করম্বা ৱাখল্লোন চেনবদগী ওইগদৌরিবনো? ৱাফমসি কাংথোরকপগী মরমশিং শোয়দনা লৈরমগনি। অদুবু লৈরমগদবা মরমশিং অদুগী মনুংদা দেমোক্রেসিবু মশক খঙদবা অমসুং মথোং-মরম খঙদবগী থৌওংনি হায়দবা য়ারোই। ঙাঙথোরক্লিবা ৱাফমসিগী মতুংইন্না লাকপনি। অসিগুম্বা মীওইশিং অসিনা অকক্লবা এসেমব্লি কন্সটিট্যএন্সি অমখক্কীদা নত্তনা অমুক হন্না মিনিষ্টরগা ওইরক্তুনা ষ্টেট অপূম্বগী য়াম্লবা অমসুং লুখ্রবা থৌগাইশিংগা পুরকপা থোক্লগনা কমদৌবা? পীক্লবা মণিপুরসি মায়বা নহাশিংগী খূৎতা মঙ থনবগী ফীভমদা লাকহনবা চুম্লোই। মরী লৈনবা কন্সটিট্যুএন্সিগী মীয়াম্না অমসুং পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবশিংনা তাকপী তম্বীহৌবা চুমগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৭

১) অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৬০দা ফোঙবা ***“অমাইবা”*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **“অমেরিকাগী ঈশৈ”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **“মণিপুরদা ঐগী চহী অহুম”** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেলদা কনানা ইবা লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৪) ***“ৱারী শীংবূল্লক্তগী”*** হায়বা অঙাংগী ওইবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) ***“লৈকংলা”*** হায়বসিগী অইবসি কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি।
লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ঈরাংপুরসিদা ভোটকী মতুংদা য়াওশঙ কুম্মৈ

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৯৫**

**জিতেন নামৈরাকপম**



ঙরাং নহান্তা লোইখিবা এসেমব্লি ইলেক্সনগী ফল লাউথোকপা লোইখ্রবা মতুংদা পুন্সাং লাংলম্বা মণিপুর হৌজিক্তি খরা ঈংথরক্লব্রা খল্লি। ওন্থোক্না লাইবক থীবা হায়বদুনি। মমাঙগী পুরীদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা ইলেক্সনগা মরী লৈননা মীওই ৭ শিখি, কয়া অমনা অশোক অপন নংদুনা ফমুংদা য়াতাদুনা লৈবা, নোংমৈ মরূগী চৈনা খাঙলিবা কয়া অমা লৈহৌরি। ইলেক্সননা মরম ওইরগা ৱাখল ফাথবা ঙমদ্রবা মীওই কয়ানা মীগী যূম, দুকান মৈ থাদোকপীরম্বা, থাঙনা য়াল্লম্বদগী অশোক অপন নংহৌরবা কয়া অমা ৱানা খাঙবনা মখোয়গী মশরুক ওইহৌরে। কনাদা ৱাকৎলুগনি। কনানা মখোয়গী মতেং পাংবীরক্কনি। মখোয়গী অৱা অনা কনানা য়েংশিনবীগনি। মখল মখলগী গাড়ী কয়া অমসু য়ৈখাই থিনগাইবিরম্বা, মৈ থাদোকপীরম্বা, কোঞ্চাক ওইনা তারগা লৈহৌরে। অৱা অনা তারবশিংদা ওর্গনাইজেসন, সী এস ও খরনা মতেং পাংবীবগী পাউদি তাবা ফংই। অদুবু মদুমক্না মখোয়গী অৱাবদু মেনখৎপীবা ঙম্বদি নত্তে। অশোক অপন নংবশিংনা মরন্নাই তারগা লৈহৌরে। অশোকপা অশিবতনা মাঙজৈ হায়বদুনি। ভোট মমাঙদা য়েক্লবা ওইরম্বা থাঙ শৎনরম্বা পার্টিশিং মেজিক নম্বর ফংদুনা এম এল এ ৩২ কাখ্রবা বি জে পিদা শৌগৎতুনা লৈঙাক শেম্নবগীদমক শেম শাবা হৌরে। মখোয় অমত্তা ওইখ্রে। ৱার্করশিংগী মরক্তনা য়েক্লবা ওইনা লৈহৌরে।

মতাং অসি য়ৌরকপদা হংনীংবা ৱাহং অমদি লাক্লি। ভোট কাখিবা কেন্দিদেটশিংগী ওইরো নৎত্রগা ভোট কাহৌদবশিংগীসু ওইরো থৱায় য়াওনা থৱায় খূবাক্তা হাপ্পুনা চেন চোঙ-খবা মখোয়গীদমক কনানা করি তৌবিরক্কনি। নখোয়গীদমক কয়া য়াম্না তুংদা ফৈগাক ফৈনা লেপ্পীরক্কনি। ফুদিৎতা মাঙজোং চোংলগা তাদুনা লৈহৌবনা অয়াম্বা ওইগনি। ফিমু শেৎতুনা মায়খুম উপ্পলগা মীগী ময়ূম থুগাইরুবা, থাঙনা-নোংমৈনা মরাল লৈজদবশিংদা এটেক তৌদুনা মীহাৎ মীপূন চথরুবা, মীগী য়ূমদা বোম লংশিল্লুবা, নোংমৈ কাপশিন্দুনা অপঙ থৌনা উৎলুবা নখোয়না কান্নগদবা হায়ববু ঐনা ভোট চেল্লুবা কেন্দিদেটনা কারে হায়বসিদা লোইরে। অদুক য়াম্বা সপোর্টর, অহিং নুংথিল খায়দনা ৱানা হোৎনখিবা পূম্নমক্কী পেলহনবা ঙম্বা হৌনদে। পাঙ্গল ফুদোকপমখৈ শিবা নাবা কিদনা চেনখিবা, হোৎনখিবশিংনা হায়বা ৱা তাবদগীদি ভোটকী মতমদা শেল চাউনা চাউনা পাংলকপা মীদুনা হায়রকপনা হেন্না লূম্না লৌখিবনি। থবক ইনখাংগী হায়রুবদা, ৱানোম্লুবদা শেল তিংদনা কংনা তক্লুবদা ইরায় লায়না য়ারক্কনি হায়বদি থাজদ্রে। মসিমক মমাঙদগী হৌনা অদুম্মক চৎনদুনা লাক্লবনি। ভোটকী মতমদা থৱায় য়াওনা চেন্নরিবা অয়াম্বগী কেন্দিদেটনা ভোট কাখ্রগা লৈবাক্কী, লমদমসিগীদমক অফবা, অওনবা খরা পুরক্লবগীদমক কৎথোকপা অমগা লোয়ননা হোৎনবদি অতাঙবনি। অয়াম্বনা ওইজবা মাঙদা থারগা চেন্নবনা অয়াম্বনি। হৌজিক্তি অকাবনা হরাওবা, পোহৌবনা নীংবা কায়হৌবা হায়বসিদা তারকই। হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদদি শেল পায়বা মক্তনা ভোট কাখ্রে। শেল পায়দবা কেন্দিদেট অয়াম্বা তুহৌরে ঙাঙনরি। মথংগী ২০২৭তা অমুক পাঙথোক্কদবা ইলেক্সনদদি য়ামদ্রবদা লুপা ক্রোর ৫০/৬০ পায়দবনা ভোট লেপ্পা ঙম্লরোইসু হায়নরি। শেলগী ৱানা তোঙান্না থমখ্রগা ভোট অমুক তৌরক্কনি খনবদা কিনরে। হন্দক্তগী হেন্না শাথীবা লান ওইরকপা য়ারি।

নাকল অমরোমদনা মীখলগী ফল লাউথোকখিবা অসিদা থম্বাল ৩২ শাৎখিবনা মরম ওইদুনা লাক্কদৌরিবা চহী ৫ অসিদা ষ্টেবল ওইবা গভর্ণমেন্ট অমা ওইরকপগী খুদোংচাবা লৈরে হায়না পান্নরি। তৌবতবু কনানা চীফ মিনিষ্টর ওইরক্কনি হায়বসিমদি হায়বা ঙমদ্রগসু হান্নগী লুচিংপুরেল ওইখিবা শ্রী এন বিরেননা অদুম্মক ওইরক্কনি হায়বগী চাউনা থাজবদি লৈনরে। মরমদি প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনচিংবা ময়োল লৈঙাক্কী বি জে পি লুচিংবশিংনা মণিপুরদা ভোট খোম্বা লাকপগী মীটিংদা শ্রী বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অমুক হন্না লাকহন্দুনা মণিপুর অহেনবা দিভেলপমেন্ট পুরকহনসি হায়রম্বা লৈবননি। মরমদি রিজনেল পার্টি ওইদবা মরম্না বি জে পিগী হৌজিক ভোট কারবা এম এল এ ৩২ অসিনা করিগুম্বা ৱারেপ অমত্তা লৌবা ঙমদে। সেন্টরগী য়াথংদা ঙাকপা লৈঙাক্লি। মসিমক খঞ্জিল্লুরবদি ওন্থোক্না তোন্না হিংবা লৈঙাক ওইবনা মীখা পোন্না হিংবগা চপ মান্নরি হায়না লৌবা য়াই। মসিমক্লসু ঐখোয়গী ওইবা মতিক চাবা লুচিংবা লৈতে হায়বদু তাক্লি। হন্দক্কী ভোট কারক্লিবশিং অসিগী মনুংদা চীফ মিনিষ্টরগী ফম পায়বা য়াবা কয়া'মদি য়াওরে। অদুবু মখোয় মশেলগী পাঙ্গলসু থুপচিল্লগা লৈরি। অমবু ওইরো অমবু ওইরো মণিপুর প্রজাশিংগী ওইনদি লৈবাক্কীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা পুকচেল শেংবা, করপসন লৈতবা, চাওখৎ লমজেলদা মাঙলোমদা চেনখৎপরোমদা থবক তৌরক্কদবা লুচিংবা অমদি পাম্নরি। মমাঙগী বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক হৌরকপদা এন্টি করপসন সেলগা থল্লদুনা মওং য়াম্না মালহল্লম্বনি। মদুগী মতুংদদি থর্টি পর্সেন্ট করপসনগী লৈঙাক ওইরক্লে হায়নবসু তাখি। থবক খরা হায়দোকখিবগী, ত্রান্সফরগী অমদি হীরম কয়া অমদা দোক্যুমেন্টরি ইভিদেন্স লৈহৌদ্রগসু পৈশা অসুক পীখ্রে অসুক লৌখ্রে হায়নবদি তাখি। হন্দক্কী মখা চথরক্কদৌরিবা লৈঙাক অসিদনা পর্সেন্টেজ কয়াদা হেনগৎলক্কদৌরিবা। মদুসু হায়বা ঙমদে। বি জে পিগী ব্লেক মনি পুরকপা, এন্টি করপসন অমদি দাইনেষ্টিক পোলিটিক্স ঙাক্না চৎপা ঙল্লিব্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইদুনা লৈরে।

নুংঙাইরিবা অমনা ভোট হায়দোকখিবগী নুমিদাং অদু মণিপুরগী মফম কয়াদা থাবল য়াম্না চোঙনখি। ভোট কাবা হরাওবগী লাউবা খোংবা, ধোন বজাই, গাড়ী পরেং পরেং, অহৌবা বম্বুলাগী মখোলতনা নিনখি। ইলেক্টেদ কেন্দিদেটশিং মফম কয়াদা লৈ পরেংগা লোয়ননা থাবল মকোক চিংদুনা চোঙনখি। বি জে পিগী প্রসিদেন্টতগী হৌরগা চীফ মিনিষ্টর ফাওবদা থম্বাল শঙলেন মমাঙদা হরাউনা থাবল চোঙনখি। মন্ত্রি মকোক্না হন্দক্তি থাবল লোইনা চোঙহনগনি হায়না লাউথোকখ্রেসু হায়রি। নুংঙাইবা হরাউবদা হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোকপনি। কোরোনা লাইচৎনা মরম ওইদুনা চহী অনী চুপ্পা চোঙলকখিদ্রবা য়াওশঙগী থাবল হন্দক্তি অরোইবী থাদুনা পেন্নবা থাবল চোঙনরক্কদৌরি।

বেঙ্গলিগী দোল যাত্রা, হিন্দুশিংগী হোলি, মৈতৈশিংগীনা য়াওশঙ কুম্মৈ লমতাগী পুর্নিমা নুমিৎ লাক্কদবা নুমিৎ ৫নিদা ঙাইরে। ভোটকী ঈরাং লোইখিবদা ঙাইরিঙৈদা য়াওশঙগী ঈরাংনা অমুক মখা শমথরক্কদৌরি। কোরোনানা থিংজিল্লুরবা স্কুল হাংদোক্লরক্লে। স্কুল কাবা কাবক কাবক হৌনরকপসিদা য়াওশঙনা অমুক থৎলরে। মহৈরোয়শিংগী করিয়র মাঙহন্দনবা হোৎনবসিসু তঙাইফদবনি। হরাও কুম্মৈদা ঙাওজবা, লেগু ওফ ফেষ্টিবেল অসিদদি থিংলুবা ঙম্বা নত্তে। ইনখৎলক্লিবা নুপীমচাশিং য়াওশঙ থাবলগী খোইরেন মসা পাইনরক্লে। লম্বীদা থোরক্তুনা শেল খায়বা হৌনখ্রে। ভোটকী মীশি মীনাগী মীরাওখোল ঈংথখিবদা ঙাইরিঙৈসিদা মঙাও থীবা নহাশিংনা য়াওশঙগী কোয়বা লাঙবা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাশিল্লগা থাবল চোঙবদা ঈরাং থোকহন্দনবা মমা মপা ওইবশিংনা মচা মশুশিংবু কূপ্না শেন্নবীবা চঙলি। য়াওশঙ স্পোর্টসনা খরমখৈ ফাজিল্লগসু নাকল অমদা হেক্তা য়ুরক্কনি। অনৌবা লৈঙাক্না লোয়ননা চৎমিন্নগদৌরিবা য়াওশঙ কুম্মৈ মনুংদা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকহন্দনা নুংঙাই য়াইফরবা মণিপুর অমা পুরকপা ওইরসনু। ●

## ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৬০

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

খরা লৈরগা মচেসু অমুক ময়ূম পানখ্রে। অসিগুম্বা ফীভমসিদা লমদমসিগী কোনবিরিবা কোনবীরিবী খোইয়ুম লাইনিংথৌ অমদি লাইরেম্বীগী মরমদা তাকপীনবা কনাসু লৈখিদে হায়বা য়াই। মরমদি মপাসু বৈষ্ণব ওইবগা অঙাং ওইনা মখল মখা কয়াগী অৱা পোৎলুম কোকথোংনদুনা পুরকখিবনিনা। অদুবু মতাং চানা পুকচেল চাওরবা ওজাশিং শ্রী থোকচোম যাদব সিংহ অমদি শ্রী থৌদাম কেরানিনচিংবনা দামোদরবু মহৈ মশীন মখা তমথহন্নবা লৌবিখিবা অচৌবা থৌদাংশিং থাগৎনীংঙাইনি। মবুধি মরৌশিং লৈরকপনা ক্লাস মচাদগীনা এম এ সী ফাওবা তম্বদা ফর্ষ্ট তাবা, ফর্ষ্ট ক্লাস ওনর্স ফংদুনা অচংবা মহৈরোয় অমা ওইরকি-খবগী পাউদমশিং য়াম্না নুংঙাই। মথক্তসু হায়জখিবা চৌকান চৌকান ওইনা, কুমজা ১৯৭০দা দামোদর মশানা য়ুনিভর্সিটি ওফ কালিফোর্নিয়াগী ইরভাইন্দা রিসর্স কন্না তৌরিঙৈদা মমা শিখিবগী নুংঙাইতবা পাউ তারবা মতুংদা মখুরাসু ওইবা ওজা কেরানীনা চিঠি অমা মপূক্লিং থেমজিনবিবা ওইনা থাখিবদা “পোক্লবদি শিবা তাই, শিবা হায়বসি মীপূম খুদিংমক্না লমন তোন্দুনা লৈরিবনি। অদুগা শিরিবদি শুপ্নগী হকচাং অসিতনি। হকচাংগী মনুংদা মতম পূম্বদা লৈবা আত্মা থৱায় হায়বা অমা লৈ। মহাক্তি শিবা নাইদে। নহাক্তি বৈষ্ণবনি। বৈষ্ণবনা হিংবগীসু শিবগীসু থোইনা ৱাফম থোক্তে। অদুনা মতম খরতগী ওইবা হকচাংগীদমক ৱাদুনা অরেম্বদা মতম মাঙহনগনু, নথৌদা নপূক্লিং চঙনা হোৎনদুনা মায় পাক্লগা থোরক্লবা হোৎনৌ। অসিগুম্বা ৱাহায়শিংনসু দামোদরদা বৈষ্ণব অমা ওইনবগী মথৌ শংখিদুনা লমদমসিগী ওইবা লাইনীং লাইশোনগী ওইবা চৎনবীদদি মমি অমত্তা তাখিদে হায়বা খঙবা ঙমই।

অসুম্না অঙাং ওইরিঙৈগী মতমদা ওজা কেরানী অমসুং ওজা যাদব, হায় স্কুল তল্লিঁউঁদা শ্রী পরিজাৎ সিংহ, শ্রী য়াইমা সিংহ, শ্রী অমুতোম্বী সিংহ, কোলেজ তল্লিঁউঁদা শ্রী ধিরেন মুখর্জি, কলকত্তা য়ুনিভর্সিটি তল্লিঁউঁদা শ্রী বি সি গুহা, শ্রী কে এল রোয়, শ্রী এম এম চক্রবর্ত্তি, শ্রী এস সী নিয়োগী, শ্রী বি পাথক অদুগা অমেরিকাদা পি ঐচ দি তৌরিঙৈদা প্রোফেসর রোবার্ট দল্লিয়ু তফট অসিনা চেকশিন্না শেন্নবিদুনা লমজিংবীরকখি। অসুম্না লমজিংবিরকখিবা দামোদরবু মমৈথংদা মহাকপু মালেমগী বৈজ্ঞানিকশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী হেন্না মশক নাইবা অমা ওইনবা কুমজা ১৯৭০দগী ১৯৭৭ ফাওবা আধ্যাত্মিক বিজ্ঞান নিংথিনা খঙননবা তাকপী তম্বীরকখিবদি মহাক্কী গুরুদেব ইসকোনগী ফাওন্দর আচার্য্য শ্রী মত এ সী ভক্তিদেবান্ত স্বামী প্রভুপাদনি/(শক্লোন য়াম্বা শক্তম, ২শুবা, সঙাই এক্সপ্রেস ২৭/১২/২০২০, নোংমাইজিং)।

‘শক্লোন য়াম্বা শক্তম’ হায়বা তাঙ্কক নাইনা ৱারেংলিবা বনমালি দাসনা মীয়ামদা পাউদম্লিবসিগী মতুংইন্নদি ঐখোয়না ইরায় লায়না খঙলে মদুদি দামোদরনা অঙাং ওইরিঙৈদগীনা অৱাংবা থাক্কী থিজিন লৌশিংগী (সাইন্সকী) মহৈ মশীন অমেরিকাদা লৈদুনা তল্লিঁউঁ মতাং মতমশিংদা লমদমসিগী মীতৈ/মৈতৈ মচা অমা ওইনা লমদমসিদা পোক্লগা লমদমসিগী মরমদা খঙবা য়াবা লীচৎ মচেৎ অমত্তা য়াওখিদবনা মাগী অমেরিকাদা লৈমিন্নবা মরুপ ৫ রবিন্দ্র প্রতাপ য়াওনা দীক্ষাগী মমিং রামানন্দ রায় দাস হায়না মিং ওল্লবা মতুংদা শ্রীল প্রভুপাদতা দামোদরবু মণিপুরগীনি হায়না মশক তাকপদা (ইন্ত্রোদ্যুস তৌবদা) শ্রীল প্রভুপাদনা নুংঙাইবা ফাওখিবদগী মণিপুরীশিং অসি অর্জুনগী মচা বব্রুবাহনগী শুথাংশিংনি, পাণ্ডবশিংনা পানবা মতমদগী হৌনা বৈষ্ণব ওইরক্লবনি, মণিপুরগী নিংথৌশিংনা বৃন্দাবন, রাধাকুণ্ড, জগনাথ পুরি অমসুং নবদ্বিপতা শ্রীশ্রী রাধা কৃষ্ণগী মন্দির অমসুং আশ্রম কয়া মরুম লিংখৎলম্মী হায়না হায়রকপদা দামোদরদদি খঙদবদগী ঙক্না থোক্লমগনি।

মতাংসিদা শ্রীল প্রভুপাদনা অহানবা ওইনা মঙোন্দা শক তাক্লবা দামোদরবু মণিপুরদগীনি হায়বদা খুদক্তা মণিপুরীশিং অসি অর্জুনগী মচা বব্রুবাহনগী শুথাংনি হেক্তা হায়জিনবা ঙল্লিবসিনা তাকপদি শ্রীল প্রভুপাদ মশানসু হান্না কংলৈপাক কৌরম্বদগী ১৮শুবা সেঞ্চুরি হৌরকঙৈ অদুঙৈ পামহৈবা নিংথৌগী মতমদা মণিপুর কৌরকখিবসিবু মখোয়গী হিন্দুগী লম মণিপুর হায়না হৌজিক্তা ওদিষা কৌবসিগী মনুংদা লৈবা বে ওফ বেঙ্গোলগী তোর্বান্দা লৈবা য়াম্না পীকপা খুঙ্গং ইপিকনি হায়নরিবা মহাভারত্তা য়াওবদু ওইনা লৌখিবদগী শোয়দুনা হায়খিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থমজগে। মরমদি শ্রীল প্রভুপাদকুম্বা সংস্কৃটকী স্লোক কয়া চিনফা পুরবা অসিগুম্বা হিন্দু লাইনীংগী অৱাংবা থাক্কী মীশক অমনা খঙদনা অখঙবা শাদুনা হায়দোরক্কনি হায়বসি ইথা থাজদনা হায়দোরকখিবসি অঙকপা অমদি ফাওই। “অশেংবা মীশক/পোৎশক/লমদম অমগী মরমদা অশেংবা মতিক ময়াই/অতোপ্পদগী থোইদোক হেন্দোকপা মান্নদবা মওংদা হায়রম্বা ওইরবদি অদুগুম্বা মীশক্তু মশাগী ৱাংদুনা লৈরবা মতিক ময়াইদু অমুক্কা হেন্না ৱাংনা থাঙ্গৎতুনা থাগৎনগদবা, চেঙ চগ্রিং অমনা চেঙ চেঙকোক অমা মাংহল্লি/চন্নফম লৈহন্দবা হায়বা মওংদু থোকহনবা ওইনা থোক্লোইদ্রা হায়না মরী লৈনবশিংদা খন্থহঞ্জনীংই।” মসিগী মখা তারকপা ৱাফম অমদি হন্দক্তা জন্যুৱারী ২৩, ২০২২দা আর এস এসকী চীফনি হায়বা ডা. মোহন ভগৱটনসু শেরান্নবা মহাভারতকী মণিপুরগা মরী লৈননা হায়রকখিবগী মতাং ৱারু নুংজু থোক্তুনা লৈরিবনা নোং তারগা করিনো পোপথোরকই হায়বদুম্মাইনা শ্রীল প্রভুপাদগুম্বা হিন্দুগী লাইনীং লাইশোন্দা থাক ৱাংখ্রবা মালেমগী শাথীরবা লাইনীং লাইশোন মৱা লৌদবা, হিন্দু লাইনীংগা ওন্ন তৈনবা ওইবা লৈবাক কয়াদা ফাওবা মসা মরেং ফন্দোকহনবা/শন্দোকহনবা ঙল্লবা মশক নায়রবা মীশক্তুনা দামোদরদা অহানবা হেক উন্নবা মক্তদা হায়দোকখিবসি অচুম্বা নত্তে, মতুংদসু লান্না পাউথোকপসিদা অশেংবা লমদমসিদা লৈজরিবা ঐখোয়নদি করিসু হরাউদে, করিসু ওইনা খন্দে হায়বসি মথৌ তারকপসিগী মতাংদা তুংদা চয়েৎনবা থোক্তনবা অচুম্বা ৱালেপ (থৈথবা লোল ওইনা ৱারেপ) অনী লৌবা চুমগদ্রা হায়না মীয়ামদা হঙ্গৎচরি। ●

পাউচে অসিদা ফোংজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।